**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বি.জে.পিনা হায়রি- দল অসিনা রাজ্য অসিদা দিলিমিতেসন তৌবগী মায়োক্তা লৈতে, অদুবু ইং ২০০১ গী সেন্সস মতুংইন্না দিলিমিতেসন তৌবদি য়াবা ঙমলোই।

২) নেসনেল বোর্দ ওফ একজামিনেসন ইন মেদিকেল সাইন্সেসনা নিট এম.দি.এস পরিক্ষাগী সেন্তর ইম্ফালদা মথং চহিদগী পীরগনি।

৩) পৱার কম্মিসনার ডাঃ সাইলেস কুমার চৌরাসিয়ানা হায়রি- নুপীশিংবু হিরম কয়াদা শরুক য়াহনবনা মখোয়গী মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমসুং শেল থুমগী লম কয়াদা মতেং পাংবা ঙমগনি।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা থাইলেন্দগী প্রধান মন্ত্রি পেতোংতর্ন সিনাৱাত্রাগা য়ান্নচে ৬ ঙসি বেক্কোক্তা সহি তৌনখ্রে।

অমসুং

৫) লৈবাক অসিদা অফবা মখলগী চীঞ্জাক ফংহন্নবগীদমক সরকারনা ফুড টেষ্টিং লেবোরেটরি ১০০ অথুবদা লিংখৎলগনি।

------

বিজেপি (এল)ঃ বি.জে.পিনা হায়রি- দল অসিনা রাজ্য অসিদা দিলিমিতেসন তৌবগী মায়োক্তা লৈতে, অদুবু ইং ২০০১ গী সেন্সস মতুংইন্না দিলিমিতেসন তৌবদি য়াবা ঙমলোই।

ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা দল অসিগী জেনেরেল সেক্রেটরি কে. শরতনা হায়- ইং ২০০১ গী সেন্সস রিপোর্ট মতুংইন্না দিলিমিতেসন তৌবা য়ারোই হায়না দল অসিনা তকশিন্দুনা লাক্লি। মহাকা হায়- মীকোক মশিংদা কা হেন্না য়াম্বনচিংবা থোক্লিবা অসি চুমথোকপা, মীতোপশিং খান্দোক্তুনা মশাগী ময়ুমদা হুলহনখিবা অমসুং রাজ্য অসিগী মফম খরদা ভোতরশিংগী মশিং খঙহেন হেনগৎলকিবা কয়া অসিগী মতাংদা কুপা য়েংশিল্লবা মতুং দিলিমিতেসন তৌগদবনি। মহাকা হায়- হিরম অসিগা মরী লৈননা দলগী ওইবা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে অমসুং কমিতি অমসু শেল্লে।

পাউগী মীফম অদুদা দল অসিগী ৱাঙাংলোই, এম.এল.এ- কে.ঐচ. ইবোমচানা হায়- হিরম অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা মীওই ১৩ না শাবা কমিতি অসিদা দল অসিগী এম.এল.এশিং, ওফিস বিয়ারর অমসুং মোর্চাগী প্রসিদেন্ট য়াওরি। মহাকা হায়- ইং ২০০১ গী সেন্সস মতুংইন্না দিলিমিতেসন তৌরবদি রাজ্য অসিগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা ফুরুপশিংদা শোকহনগনি।

নিট (এল)ঃ নেসনেল বোর্দ ওফ একজামিনেসন ইন মেদিকেল সাইন্সেসনা নিট এম.দি.এস পরিক্ষাগী সেন্তর ইম্ফালদা মথং চহিদগী পীরগনি ।

হিরম অসিগী মতাংদা রাজ্য সরকারগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বালগী কম্মিসনার কম সেক্রেটরিনা চেরোল অমনা হায়-নেসনেল বোর্দ ওফ একজামিনেসন ইন মেদিকেল সাইন্সেস (এন.বি.ই.এম.এস)না নিট-এম.দি.এস পরিক্ষাগী সেন্তরশিংগী লিষ্টতগী ইম্ফাল লৌথোকখিবগা মরী লৈননা রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লানা কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রিগী থাক্তা ৱারী শান্নদুনা ইম্ফালবু পরিক্ষা অসিগী সেন্তরশিংগী লিষ্ট

য়াওহনবীনবা হায়জখি। মদুগী পাউখুমদা এন.বি.ই.এম.এসনা হায়- ইং ২০২৬ তগী হায়রিবা পরিক্ষা অসিগী সেন্তর ইম্ফালদা পীরগনি হায়না খঙহল্লকখ্রে।

গভর্নর (এল)ঃ ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী মীওইশিংগা মণিপ্রগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা সোসাইতি অসিনা আই.দি.পিশিংগীদমক্তা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পাউদমখি। মখোয়না চংশিল্লিবা খোঙজংশিংদা মতেং পাংবীনবা রাজ্যপালদা তকশিনখি। রাজ্যপালনা সোসাইতি অসিগী মীহুৎশিংনা তৌরিবা থবক থৌরমশিংবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

এসবিআই (এল)ঃ কেন্দ্র সরকারগী রুরেল দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা পায়খৎলকপা থৌরাং অমদা নহাশিংদা থবক পীবগী মনুং চন্না ব্যুটি পার্লর মেনেজমেন্ট ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা তাকয়েল ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেটতা লৈবা এস.বি.আই-আর.এস.ই.টি.আইদা ঙসিদগী হৌখ্রে।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী এ.দি.সি- কৈশাম জাদুমনিনা হায়- ত্রেনিং অসিদা শরুক য়ারিবশিংনা ত্রেনিং লোইরদুনা সার্তিফিকেট ফংলবা মতুং শেন্থোক লন্বী লৈনবা হোৎনবা তঙাইফদে। থৌরম অদুদা এস.বি.আই. ইম্ফাল রিজনগী রিজনেল মেনেজর খুমুকচম ওকেন্দ্র, নবার্দকী দি.দি.এম- থোকচোম কিরন লোয়ননা অতৈ মীওইশিং শরুক য়াখি।

আর্মি (এল)ঃ ভারত লান্মীগী স্পিয়ার কোরগী জি.ও.সি লেফটনেন্ট জেনেরেল অভিজিৎ এস. পেন্ধারকরনা ঙসি মণিপুরগী রেদ সিল্ড দিভিজনদা চত্তুনা মখোয়না পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা য়েংশিনখ্রে। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা জি.ও.সিনা রেদ সিল্ড দিভিজন্না তোঙান তোঙানবা মখলগী টেকোলোজিশিং শিজিন্নদুনা চত্থরিবা অৱাংবা থাক্কী ওপরেসনশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

বিএসএফ (এল)ঃ বোর্দর সেক্যুরিতি ফোর্স (বি.এস.এফ)না শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী কোইরেঙ্গৈদা লৈবা বি.এস.এফকী ১৬৪ শুবা বত্তাল্লিয়নগী হেদক্বাটরসতা পেন্সন অদালট হায়বা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা বি.এস.এফকী পেন্সনরশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। থৌরম অদুদা থবক্তুগী পোত্থারবা ওফিসার মরি, সপোর্দিনেট ওফিসার, অতোপ্পা থবক্তুগী পোত্থারবা পার্সোন্নেল ৫২ অমসুং ফেমিলি পেন্সনর ১৪ না শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা লৈবা ইমা ফাউন্দেসন ওর্ফানেজগী মহৈরোশিংদা স্কুল বেগ অমসুং মহৈ তম্বদা চংবা অতৈ পোৎলমশিং য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া খুৎশিন্নখ্রে।

পৱার (এল)ঃ মণিপুর সরকারগী পৱার কম্মিসনার ডাঃ সাইলেস কুমার চৌরাসিয়ানা হায়রি- নুপীশিংবু তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা শরুক য়াহনবনা মখোয়গী মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমসুং শেল থুমগী লম কয়াদা মতেং পাংবা ঙমগনি।

মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পনি লিমিতেদ (এম.এস.পি.সি.এল)না শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী য়ুরেম্বমদা ঙসি সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট ওফ ৱিমেন এট ৱার্ক প্লেস (প্রিভেন্সন, প্রোহিবিসন এন্দ রিদ্রেসেল) এক্ট ২০১৩ গী মতাংদা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমদা ৱাফম অসি শ্রী সাইলেসনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- নুপীশিংদা ওৎ নৈবা অসিনা তোঙান তোঙানবা থবক শুফম কয়াদা মখোয়বু থবক চংবদা অপনবা ওইহল্লি।

থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা ৱা ঙাংখি।

থৌবাল (এল)ঃ ৱাইখোম মনি গার্লস কলেজগী দিপার্টমেন্ট ওফ জিওলোজিনা শিন্দুনা মেরিন জিও ফিজিক্স অমসুং এক্সপ্লোরেসন জিওলোজি

হায়বসিদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি কলেজ অসিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কোলকাতাদা লৈবা জিওলোজি সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী মেরিন এন্দ কোষ্টেল সর্ভে দিভিজন, ইষ্টর্ন রিজনগী জিও ফিজিক্সকী দিরেক্তর ডাঃ লুক্রাম ইঙোচা মীতৈনা জিও ফিজিক্স, মেরিন জিও ফিজিক্স অমসুং এক্সপ্লোরেসন হায়বসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

থৌরম (এল)ঃ এস. কুলা ৱিমেন কলেজগী দিপার্টমেন্ট ওফ টিচর ইজ্‌কেসন বেইদ অমসুং কলেজ অসিগী আই.কিউ.এ.সিগা খুৎশমদুনা টিচিং এইদস একজিবিসন অমা কলেজ অসিগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। একজিবিসন অসিনা নৌনা
মহৈরোইশিংদা করমা তাকপী তম্বীগদগে হায়বগী মতাংদা মোদেল চার্ট শিজিন্নদুনা তাকপী তম্বীখি।

থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডাঃ আর.কে. লোকেন্দ্র সিংহ, দিপর্টমেন্ট ওফ টিচর ইজ্‌কেসনগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট পোলেম কিরনশান্তি দেবী শরুক য়াখি।

রেল্লি (এল)ঃ ইকো নেটৱার্ক হৈরোক অমসুং ঙারৌথেল য়ুথ টিম অনিনা পুন্না শিন্দুনা হৈরোক মেন গেটতগী হৌরগা হৈরোক পার্ট টুগী লিতান ফাওবগী মহৈরোইশিংগী ওইবা সাইকল রেল্লি অমা পাঙথোকখ্রে। রেল্লি অদু ইন্তরনেসনেল জিরো ৱেষ্ট ডে- টুৱার্দস ৱেষ্ট ইন ফেসন এন্দ টেক্সতাইল হায়বা টিমদা পাঙথোকখিবনি। রেল্লি অদুদা প্লাষ্টিক মৈ থাবীগনু, অমোৎপা মফম চাদবদা লংথোকপীগনু, সেভ আর্থ-সেভ ইনভাইরোনমেন্ট স্লোগানশিং শিজিন্নখি।

লমথুংফম ওইরিবা সিতি ক্লবগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ৱা ঙাংবদা ৱার্করস য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাইখোম আনন্দনা হায়- ইশাগী অমোৎপা, ইশাগী থৌদাং হায়বসিনা জিরো ৱেষ্টকী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বেনি।

অমোৎ অকায় লৈহন্দনবগীদমক ইশা ইশাগী য়ুমদগী ফত্ত-হাউদিশিং মফম চানা থন্বীনবসু মহাকা আপীল তৌখি।

বিএলও (এল)ঃ নুমিৎ নিনি চখুরকপা তদুবী বিধান সভা কেন্দ্রগী ব্লোক লেবেল ওফিসারশিংগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি সেনাপতি জিলাগী দি.আর.দি.এ কনফরেন্স হোলদা লোইশিনখ্রে। মীফম অসি বিধান সভা কেন্দ্র অসিগী ওইনা পাঙথোক্কদবা মরক্কী মীখলগী স্পেসিয়েল সম্মরি রিভিজনগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি। মীফম অদুদা বুথ লেবেল ওফিসার ৮১ না শরুক য়াখি।

ৱাকৎ (এল)ঃ  ককচিং জিলাগী এস.পি. প্রিদর্সিনি লাইশ্রমবু ট্রান্সফর তৌখিবগী থৌবওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ককচিং বজারদা লৈবা ইরাবত পার্কতা ৱাকৎ মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদু ককচিং কৈথেল ইমা লুপ অমসুং ককচিং অপুনবা নুপী লুপনা শিনবনি।

কেম্প (এল)ঃ  মেদিলেন্দ ফাউন্দেসন, এমেচর এথলেটিক এসোসিয়েসন কোংপাল অমসুং লমজিং মৈরা ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন কোংপাল অনি পুন্না খুৎশমদুনা এমেচর এথলেতিক এসোসিয়েসনগী কম্যুনিতি হোলদা নোংমগী ওইবা মীৎ লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে।

সিসিপুর (এল)ঃ চুরাচান্দপুরগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ধরুন কুমারনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। শঙাইকোট অমসুং সাইকোট ব্লোকশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগসু শ্রী ধরুন কুমারনা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

মৈ (এল)ঃ এম.এস.পি.দি.সি.এলগী ওফিসার অমসুং কর্ম্মচারিশিংনা তোঙান তোঙানবা রেইদ চখুবদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বা কঞ্জুমর ২২ ফাগৎখ্রে। কঞ্জুমর ১৪ গী মৈ ককথৎখ্রে। দ্রাইভ অসি মখা তানা চখুখিগনি হায়রি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা থাইলেন্দগী প্রধান মন্ত্রি পেতোংতর্ন সিনাৱাত্রাগা লৈবাক অনিগী মরক্তা তেংবাং পীননবা য়ান্নচে ৬ ঙসি বেঙ্কোক্তা সহি তৌনখ্রে। য়ান্নচেশিং অদুগী মনুংদা আই.টি, মেরিটাইম, এম.এস.এম.ই, হেন্দিক্রাফট অমসুং হেন্দলুমগী সেক্তর য়াওরি। লুচিংবা অনিনা ৱারী শান্নরবা মতুংদা য়ান্নচেশিং অদু সহি তৌনখিবনি। মসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা অফবা মরী থম্না ঙম্লগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারত অমসুং থাইলেন্দ লৈবাক অনিগী মরক্তা চহি কয়াদগী হৌনা অফবা মরী লৈনদুনা লাক্লি। ভারতকী অৱাং নোংপোক লমদমগা থাইলেন্দগগী মরক্তা তুরিজম, নাৎ অমসুং মহৈ মশিংগী লমদা তেংবাং পীনদুনা মরী ফগৎহন্নবগী মতাংদসু ৱারী শান্নখি।

শ্রী মোদিনা হন্দক্তা থাইলেন্দদা য়ুহার হাবদা মীওই কয়া লৈখিদবা থৌদোক অদুবু অৱাবা ফোংদোকপগা লোয়ননা অশোকপা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়রি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ৬ শুবা বিমষ্টেক মীফম থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোকতা হয়েং শরুক য়াগনি। মদুগী তুংদা নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা শ্রীলঙ্কা চৎকনি। প্রধান মন্ত্রিনা রাষ্ট্রপতি অরুনাকুমার দিসানায়াকিগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা তেংবাং পীনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

চিরাক ঃ কেন্দ্রগী ফুড প্রোসেসিং মন্ত্রি চিরাক পাসৱান্না হায়রি- লৈবাক অসিদা অফবা মখলগী চীঞ্জাক ফংহন্নবগীদমক ফুড টেষ্টিং লেবোরেটরি ১০০ অথুবদা লিংখৎলগনি।

লোক সভাদা খন্ন-নৈনবগী পাউখুম অমদা শ্রী পাসৱান্না হায়- চানবা পোত্থোকশিংগী মগুনদা সরকার অসিনা য়াশিন্নবা তৌরোই। মহাকা হায়- লৈবাক অসিদা হৌজিক ফুড টেষ্টিং লেবোরেটরি ২০৫ মথৌ তৌরি। হায়রিবা লেবোরেটরিশিং অসি লুপা কোতি ৫০০ হেন্না চংনা লিংখৎখিবনি। মন্ত্রিনা হায়- ফুড সেফতি এন্দ ষ্টেন্দর্দ ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (ফসাই)না হৌখিবা চহি অনিদা সেম্পল লাখ ৩ হেন্না চাংয়েং তৌখ্রে। মদুগী মনুংদা সেম্পল লিশিং ১৩ দি

হকচাং শোকিঙাই ওই হায়বা খঙবা ঙমখি। মহাকা মখা তানা হায়- মীওই লিশিং ২ গী মথক্তা ক্রিমিনেল কেসশিং লৌখৎলে। ফসাইগী রিজনেল ওফিসশিং অমদি ষ্টেট ফুড সেফতি দিপার্টমেন্টশিংনা চহি চুপ্পা চাননবা চীঙ্গাক্কী পোৎলমশিং চাং নাইনা য়েংশিন্নবা অমদি চাংয়েং তৌনবসু মন্ত্রিনা হায়খি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

লিগ(এল)ঃ ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- য়ুনাইতেদ ব্রদরস এফ.সিনা কৈনৌ লাইব্রেরি এন্দ স্পোর্টস এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৮-২ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা শঙাই হিরোসনা নম্বুল মপাল এথলেটিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (নাকো)বু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

ফুটবোল(এল)ঃ মঙাশুবা ষ্টেট লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পি.এফ.টি.সি সমরামনা এফ.সি.এল লমজাউবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

কাং (এল)ঃ অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৰাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- কৈশামথোংনা শগোলবন্দবু পাঞ্জল ১৯-৮ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- কে.সি.সি. কোংবনা চেম্প খাগেমপল্লিবু রন ৩৮ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্না এস.এন.সি শঙাইপ্রৌবু ৱিকেট ৩ দা থোইখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ অনিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর টোইন্তি থ্রি হাওবম বিরমঙ্গো সিংহ মেমোরিএল ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা চেম্প ক্রিকেট ক্লব খাগেমপল্লিনা কে.এস.দি.ও ক্যামগৈবু রন ৫৪ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্ট থ্রিনা এ.এম.সি.এ থৌবালবু ৱিকেট ১০ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর টোইন্তি থ্রি ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্ পার্ট টু পেচু লম্পাকা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুংবু রন ৭১ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট : আই.পি.এল. টি-টোইন্তিগী মেটচ অমদা কোলকাতাগী ইদেন গার্দেন্সতা কোলকাতা নাইট রাইদরসকা সন রাইজর হায়দ্রবাদকা শান্নগনি। মেটচ অসি হৌজিক ঙাইহাক্কী মতংদা শান্নবা হৌগনি।

------